# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 28-01-2026)**

**পুলিস (এল)ঃ** মনিপুর পুলিসনা বিষ্ণুপুর জিলাগী ৱাক্তা খুন্মন ৱার্ড নম্বর ফোরদগী ঙরাং ব্রাউন্দ সুগর হেরোইনগা কোন্ননা মীওই অমা ফারে।

পুলিসকী পাউনা হায়-ফারবা মীওই অসিদগী ব্রাউন্দ সুগর হেরোইন কিলোগ্রাম অমা গ্রাম ২৯ ফাগৎলে।

সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা তেংনৌপল জিলাগী মচি পুলিস ষ্টেসননা কোনবা মচি চীংশাং পরেংদা আইন কায়না একর মঙারোমদা থারম্বা পোপ্পী পাম্বীশিং য়াম্থৎতুনা মাঙহনখ্রে।

হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসননা কোনবা ন্যু নম্বুলেন্দদা গাড়ি হুরানবনি হায়বা  মীওই অমা ফারে। মীওই অসি থৌবাল জিলাগী লিলোং তুরেল খুলদগীনি হায়রি। মঙোন্দগী রোয়েল ইনফিল্ড অমা ফাগৎখি।

পুলিসকী চেরোল অসিনা মখা তানা হায়-রাজ্য অসিদা দ্রগ পুথোক পুশিন তৌবা অমদি মসিগা মরী লৈনবা পাউশিং পীবিরকবা টোল ফ্রি হেল্প লাইন অমা হাংদুনা থল্লে। নম্বরনা-১৮০০-৩৪৫-১৯৩৪ দা ফোন তৌরকপা য়াগনি।

**সর্ভে (এল)ঃ** লৈবাক শিনবা থুংনা মতম মতমগী পাঙথোকপা পেরিওদিক লেবর ফোর্স সর্ভে ২০২৬ অমসুং এন্যুয়েল সর্ভে ওফ অন-ইনকোরপোরেটেদ সেক্তর ইন্টরপ্রাইজেস-২০২৬ ঙরাং মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকখ্রে।

ইকোনোমিক্স এন্দ ষ্টেটেটিক্স বিভাগকী সেক্রেটরি-জোসেপ পাউলিন কামশননা অখন্ননা খনগৎলবা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লাইরিকয়েংবম লৈকাই অমসুং বিষ্ণুপুর পার্ট ফোর ব্লোক ৱানদা হৌদোকখি। সর্ভে অসি কেন্দ্রগী মিনিষ্ট্রি

ওফ ষ্টেটেটিক্স এন্দ প্রোগ্রাম ইমপ্লিমেন্টেসনগী নেসনেল ষ্টেটেটিক্স ওফিসনা শিনখিবনি। হন্দক্কী অসিনা রাজ্য অসিদা লৈরিবা ওন-ওর্গনাইজ সেক্তরদা শিন্নী কয়া লৈরি হায়বগী মীকোক থিবা সর্ভে তৌবা অহানবনি।

**কোকোমি (এল)ঃ** কোওর্দিনেতিং কম্মিতি ওন মণিপুর ইন্তিগ্রিতি(কোকোমি) না লাক্লিবা থাংজ নুমিত্তা পাঙথোক্কদৌরিবা মীয়ামগী অচৌবা খোঙচৎ অসিদা শরুক য়াবিনবা আপিল তৌরক্লি। কোকোমিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-মনিপুর কনবা খোঙচৎ অসি পাঙথোক্লবা মতুং মায়ামগী ওইবা মীফম অমসু পাঙথোক্কনি।

যুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট মনিপুরনসু খোঙচৎ অসি শৌগৎকনি হায়রি।

**মীতিংঃ** সংসদকী বজেট মাফম ঙসিদগী হৌরগনি। মীফম অসি মরক্তা অমুক লেপ্পবা মতুং এপ্রিল অনিদা লোয়শিনগনি। কেন্দ্রগী বজেটনা লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎ ফেব্রুৱারী অমদা পুথোক্কনি। বজেট মীফম রাস্ত্রপতি-দৌপদি মুরমুনা লোক সভা অমসুং রাজ্য সভাগী অপুনবা মীফমদা ৱা ঙাংগনি। বজেট মীফমগী অহানবা তাঙ্কক ফেব্রুৱারী ১৩ দা লোয়শিনগনি। অনিশুবা তাঙ্ককা মার্চ ৯ দগী হৌরগা এপ্রিল অনি ফাওবা চত্থগনি। মীফম অসিদা পুন্না সিট্টিং ৩০ লৈগনি।

**পিএম** ঃ প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ন্যু দিল্লি কারিয়াপা পেরেড গ্রাউন্দদা চহিগী ওইবা এন.সি.সি-পি.এম. রেল্লিদা ৱা ঙাংগনি। কুমশি চহিগী রেল্লি অসিগী হীরমনা-রাস্ত্রা প্রথম-করতাভিয়া নিস্থা যুব হায়বসিনি।

প্রধান মন্ত্রি ওফিসনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-রেল্লি অসিনা ভারতকী নহাশিংগী মরক্তা মখোয়গী মথৌ তৌবগী থৌনা, লমচৎ শাজৎ অমসুং জাতিগীদমক কৎথোকপা অদু উৎথোক্কনি। এন.সি.সি-পি.এম. রেল্লি পাঙথোকপা অসিনা থা অমা চুপা চত্থরকপা এন.সি.সি. রিপাব্লিক ডে কেম্প

লোয়শিল্লে হায়বদু উৎপনি। কেম্প অসিদা লৈবাক অসিগী নুপী কেদেদ ৮৯৮ য়াওনা পুন্না এন.সি.সি. কেদেদ লিশিং ২,৪০৬ না শরুক য়াগনি। রেল্লি অসিদা মপান লৈবাক ২১ গী নহা অমসুং ওফিসার ২০৭ শরুক য়াগনি।

রাজ্যপাল-অজয়কুমার ভালানা চহি অসিগী গনতন্ত্র দিবস পেরেডতা এন.সি.সি. নোর্থ ইষ্টন রিজনগী কন্টিজেন্ট কম্মান্দর ওইখিবগীদমক হরাউবা অমদি চাউথোকচবা ফোংদোরক্লি।

মনিপুর ইয়ার স্কাদ্রর্ন এন.সি.সিনসু গনতন্ত্র দিবস পেরেডতা স্কাদ্রর্ন অসিগী কেদেদশিংনা শরুক য়াখিবদা নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি।

**পোলো (এল)ঃ** তরেৎশুবা মনিপুর ইন্টরনেসনেল ৱিমেন্স পোলো টুর্নামেন্ট ২০২৬, ঙসিদগী ঐতিহাসিক ওইরবা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা হৌরগনি। টিম মরি-সাউথ আফ্রিকা, জন্বীয়া ইন্দিয়া টিম (এ) অমসুং ইন্দিয়া টিম (বি) মনিপুরনা লিগ মেটচ শান্নরবা মতুং মথং থাগী অনিদা ফাইনেল শান্নগনি। ঙসি অহৌবা নুমিৎতা ইন্দিয়া টিম (বি) মনিপুরগা ইন্দিয়া টিম (এ) আই.পি.এগা শান্নগনি।

ইন্দিয়া টিম (বি) মনিপুর টিমদা শরুক য়াগদবশিংদি-নাওরোইবম লক্সমী দেবী, খুন্দোংবম দিবেনতি দেবী, থৌদাম তনা দেবী, ভেরোনিকা ওইনাম, খুন্দোংবম হাবে দেবী অমদি মোইরাংথেম বিজেন্তি দেবী শরুক য়াগনি। টিম অসিগী কোর্চ-সিনাম বিমোল সিংহ অমদি টিম মেনেজরনা-গাইত্রি থাংজমনি হায়না ওল মনিপুর পোলো এসোসিয়েসননা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

**অসাম ঃ** অসামগী ব্রহ্মপুত্র তুরেলদা হি অমা লুপখিবদগী মসিদা তোংলকপা নুপী অমসুং অঙাং য়াওনা মীওই তরেৎ থিবা খঙদ্রি।

বারপেতা জিলাগী রাহমপুরদগী বোরহোলা চেঙা তমা চৎপদা মী মশিং

হেন্না তোংশিনবদগী লাইবক থিবা থৌদোক অসি থোকখিবনি হায়রি। এস.দি.আর.এফ. অমসুং ঙামীশিংনা থিবা খঙদনা লৈরিবা মীওইশিংদু ফংননবা হোৎনবগী থবক মখা তানা চথরি।

**রাস্ত্রপতিঃ** ভারত অমসুং য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন অনিগী মরক্তা ফ্রি ত্রেদ এগ্রীমেন্ট মায় পাকা সহি তৌনখিবা অসিদা রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা অপেনবা ফোংদোকখ্রে।

রাস্ত্রপতিনা হায়-য়ান্ন-চে অসিনা ভারত অমসুং য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী মীয়ামগী পুন্সিদা চাউনা কান্নবা পীরগনি। ভারত অমসুং য়ুরোপ অসি গনতন্ত্র, অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন অমসুং লল্লোন ইতিক তৌনবগী মীপুম খুদিংমক্তা খুদোংচাবা পীবগী চৎনবী মহৌশাদগী লৈরক্লি। ৱাফম অসি য়ুরোপিয়ন কাউন্সিলকী প্রসিদেন্ট-এন্তোনিয়ো কোস্তা অমসুং য়ুরোপিয়ন কম্মিসনগী প্রসিদেন্ট-উরসুলা বোনদর লেয়েনবু রাস্ত্রপতি ভবনগী বেঙ্কেট হোলদা ওকপগী থৌরমদা ফোংদোকখিবনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

গভর্নরনা মচু অহুমগী ফিরাল পাইহন্দুনা রি-পব্লিক ডে পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ পোকফমগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি অতৈ পাউচেশিংদা ফোংবা থেংনরে।

মথং থাগী অহানবা চয়োলদা মনিপুর লৈঙাক শেমবা য়ানা লৈরে। বি.জে.পিগী সেনিয়ারমোষ্ট এম.এল.এ. অমবু সি.এম. ওইহল্লক্কনি থাজনরি হায়বা পাউনা ফোটোগা কোন্ননা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

জেট.য়ু.এফনা ৱাফোংদা পোপ্পী য়াম্থৎতুনা য়ুমশিং মৈ থাখ্রে, পোপ্পী

য়ান্থৎপগী মিংদা জেট.য়ু.এফনা কুকি জো মীয়ামদা এটেক্ট চথখিবনি হায়বা সু গ্রুপকী ৱাফম, অমসুং পোলিটিকেল সোলুসন লৈত্রিঙৈ গভরমেন্ট শেন্বা য়ারোই হায়দুনা চুরাচান্দপুরদা ঙসি রেল্লি চৎকদৌরিবা হায়বা পাউনা নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

সনা লৈবাক্তা-মনিপুরি দাইসপোরোশিংগী পি.এ.পি. প্রোসিদ্যুর শেমদোক বা হোম মিনিস্তরদা তকশিনখ্রে হায়বা পাউ অমসুং চয়োল অমদা নুমিৎ মঙানি থবক শুহল্লু হায়দুনা ইন্দিয়া পুন্সদা লৈরিবা বেঙ্কশিংনা খোঙজং চংশিনখ্রে।

লমফেল ত্রাফিক পোইন্টকী অকোইবা শরুক কোংকুৎ অমসুং অমোৎপনা পিক থল্লে অমসুং জি-ফাইবনা পেত্রোল পম্প অনি থিংজিনখ্রে হায়বা পাউশিং অসিনা সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অহানবা লামাইদা ফোংলি। পাউ চে অসিমক্কী মনিপুরি এদিসনদা লম্বীগী এক্সিদেন্টতা শোকপা মী কনবদা লাখ অমা ফাওবগী মনা পীরি অমসুং মনিপুর কনবা খোঙচৎতা মহৈরোইশিং শরুক য়াবীয়ু হায়বা পাউনা অহানবা লামাইদা ফোংলি।

কুকি ইনপী মনিপুর অমসুং য়ু.এন.সিনা কাংপোকপী জিলাগী কে. সোংলুংদা থোকখিবা থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি। এন.এস.সি.এননা থৌদোক অসিগা মরী লৈনদে হায়বা পাউ অমসুং ইম্ফাল-উখ্রুল লম্বী চহি অসিগী মার্চ থা ফাওবদা লোয়শিল্লগনি হায়বা উখ্রুল জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারগী ৱাফমনা পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

পেন্সনরশিংগী পেন্সন অধালত ফমখিবগী পাউ মনিপুর মেলগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

কুকি সি.এস.ওশিংনা কে-সোংলুংদা কুকিগী খুল মৈ থাখি হায়রিবা ৱাফম অসি অরানবনি হায়না এফ.এন.সি.সিগী ৱাফমনা গানফিয়ু মেলগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

থা অসিগী ৩১ দা চৎকদৌরিবা মাস পাব্লিক রেল্লি অসিদা মহৈরোইশিংনা শরুক য়াবীনবা কোকোমিনা আপিল তৌরক্লি হায়বা পাউ অসিনা তমেংলোং

টাইমসকী অনিশুবা হেদলাইন ওইরি।

রাজ্য সরকারনা মখোয়দা থমখিবা ব্রাফমশিং থবক ওইনা ওন্থোকপীদে হায়দুনা কোটুনা পুং ২৪ গী টোটেল সটদাউন্দ তৌখ্রে অমসুং কুকি ইনপী মনিপুর অমসুং য়ু.এন.সিনা কে-সোংলুং খুলগী থৌদোক নিন্দা তৌখ্রে, অথুবদা শান্তি হনজিল্লকবা অমদি পীবা য়াবা মতেং পীনবসু আপিল তৌরি হায়বা পাউনা হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা অহানবা অমসুং অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।